**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 05-06-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেগী থৌরম ঙসি মালেমগী মফম কয়াদা পাঙথোকরি।

২) রাজ্যগী গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমনা হায়রি- মণিপুরদগী ময়াই কাবা নিশাগী পোৎলম মরু ফংনা মুখৎনবা চংশিল্লিবা খোঙজং অসি হনবা লৈরোই।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- যোগ অসি ভারতনা মীওইবা খুনাইদা পীবা মমল নাইদ্রবা খুদোল অমনি।

------

ইনভাইরোনমেন্ট (এল)ঃ ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেগী থৌরম ঙসি মালেমগী মফম কয়াদা পাঙথোকরি। কুমজা ১৯৭২ দা য়ুনাইতেদ নেসন্সনা হ্যুমেন ইনভাইরোনমেন্টকী মতাংদা পাঙথোকখিবা ষ্টোকহোল্ম কনফরেন্সতা ৱারেপ লৌদুনা মথংগী চহি ১৯৭৩ দগী ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডে অসি চহি খুদিংগী জ্ন ৫ দা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। পালন থৌরম অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি- ক্লাইমেত চেঞ্জ, বাইওদাইভর্সিতি মাংশিল্লকপা অমসুং পোল্লুসন য়াওনা মহৌশাগী ফিভমদা অকায়বা কয়া থোরক্লিবশিংগী মতাংদা পাক শন্না খঙমিন্ননবা পাঙথোকপনি। কুমশি চহিগী ওইনা য়ুনাইতেদ নেসন্সনা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেগীদমক থল্লিবা হিরমনা- ইন্সপায়ার্দ বাই নেচর, ফোর ক্লাইমেত, ফোর অৱার ফ্যুচর হায়বসিনি।

ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেনা লাকপদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা অমসুং মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ য়াওনা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

রাজ্যপালনা থাদোরকপা ৱারোল অমদা হায়- নুমিৎ অসিনা লাকপদা ঐখোয়না মহৌশাবু নিংথিনা ঙাক শেনবা অমসুং ঐখোয়গী পৃথিবী গ্রহ অসিবু তুং কোইনা লৈহনবা ঙমবা লৌফম থোকপা থৌদাংশিং অদু নৌহৌননা নিংশিংহল্লি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা পৃথিবী অসিবু তরু তনানবা অমসুং অশং অমান্না থল্লবা গ্রহ অমা ওইহল্লশি হায়নসু রাজ্যপালনা ফোংদোক্লি।

মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দগী পাউজেলদা হায়- অকোইবগী ফিভমবু ঙাক শেন্দুনা য়োকখৎনবা হোৎনবদা ঐখোয়না লৌগদবা থৌদাংশিং অদু নুমিৎ অসিনা লাকপদা নৌহৌননা নিংশিংহল্লি। মণিপুরী খুনাইবু শেমগৎপদা চাউরবা থৌদাং লৌরিবা ঐখোয়গী উমংশিং, তুরেলশিং, চীংশিং অমসুং ইনাক খুল্লবা বাইওদাইভর্সিতিবু ঙাক শেনদ্না থমবা পুন্না থৌদাং লৌমিন্নরশি। মীয়াম, মরুওইনা নহারোলশিংনা লম অসিদা হেন্না থৌদাং লৌননবসু মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোক্লি।

কেন্দ্রগী হান্নগী মপান থৌরম রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ আর.কে. রঞ্জন সিংহনসু ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেগা মরী লৈননা পীবা পাউজেল অমদা হায়- অকোইবগী ফিভম ঙাক শেন্দুনা, বাইও দাইভর্সিতি কন্ননবা অমসুং হেন্না ফবা তুংলমচৎ অমা ওইহন্নবা ঐখোয় পুন্না ৱাশক লৌরশি।

ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেগা মরী লৈননা হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাংদা অকাশবানি ইম্ফালগা অখন্নমা উন্নবা অমদা রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জগী দিরেক্তর ডাঃ টি. ব্রজাকুমারনা হায়- তুংগী মীরোলগীদমক মালেম-পৃথিবী অসিবু ঙাক শেন্দুনা অমদি য়োকখৎতুনা থম্বা হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্কী তঙাইফদ্রবা থৌদাংনি।

রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ দিরেক্তোরেটনা শিন্দুনা রাজ্য থাক্কী ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেগী থৌরম ঙসি ইম্ফালগী সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা পাঙথোক্কনি। রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদুনা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেগী থৌরমশিং পাক শন্না পাঙথোকবা শেম

শান্নরি।

গোবিনদাস (এল)ঃ রাজ্যগী গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমনা হায়রি- মণিপুরদগী ময়াই কাবা নিশাগী পোৎলম মরু ফংনা মুখৎনবা রাজ্য সরকারনা চংশিল্লিবা খোঙজং অসি হনবা লৈরোই।

থৌবাল জিলাগী মোইজিং খোংখোক্তা আইন্না য়াদবা ড্রগশিং ফাগৎনবা চথখিবা ওপরেসনদা লৈখিদ্রবা মরিসুবা আই.আর.বিগী হবিলদার কে.ঐচ. শুরেশকী মফমদা ইকায় খুমবা উৎলদুনা শ্রী গোবিনদাসনা হায়- ড্রগকী সমস্যদগী মণিপুরী খুনাইবু কন্ননবা হোৎনবদা মহাকা কৎথোকপগা লোয়ননা লৌরমখিবা থৌদাংশিং অদু কৈদৌনুংদসু কাউররোই। ঙসিগী লুরবা তানফম অসিদা মহাক্কী ইমুং মনুংগা লোয়ননা ঐখোয়না অমত্তা ওইনা লেপমিন্নদুনা অরানবা তৌরিবশিংবু থেংনগনি হায়নসু গৃহ মন্ত্রিনা মখা তানা ফোংদোক্লি।

জিরিবাম (এল)ঃ জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিস, সি.আর.পি.এফ অমসুং অসাম রাইফলসকী অপুনবা কাংবু অমনা ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীগী লৈঙাংপোকপী মপাদগী ঙরাং নুংথিল দব্লিউ.ৱাই টেব্লেৎ লাখ ৪ ফাগৎলে।

ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমী ঙাথেম বিশ্বজিৎনা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়- দব্লিউ.ৱাই টেব্লেৎশিং অদু অসামগী রেজিষ্ট্রেসন নম্বর ওইবা ত্রক অমদগী ফাবনি। ত্রক ড্রাইভর অদু বিহারদনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা কেস অমা লৌখৎতুনা মখা তানা থিজিনবগী থবক চথুরি হায়রি।

চিলড্রেন (এল)ঃ ঔরা ক্লব ইম্ফাল কলেজনা শিন্দুনা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্টকী তেরা বজারদা লৈবা চিলড্রেন হোমদা পার্সনেলিতি দিভলপমেন্টকীদমক অফবা হৈনবীশিং থমবগী মতাংদা খঙহনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা চান থকবা পোৎলমশিংসু খুৎশিন্নখি।

য়োগ ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- যোগ অসি ভারতনা মীওইবা খুনাইদা পীবা মমল নাইদ্রবা খুদোল অমনি। অহমেদবাদকী একা এরেনাদা ঙরাং পাঙথোকপা ৱার্ল্ড য়োগাসন স্পোর্টস চেম্পিয়নসিপ হৌদোকপগী থৌরমদা

ভারচুয়েল ওইনা শরুক য়ারদুনা শ্রী মোদিনা হায়- যোগনা মীওইবগী পুকিং হকচাং অমসুং থৱায়গী ওইবা ফিভমশিং হেন্না ফগৎহন্দুনা মশা মউ ফবা মীওইবা খুনাই অমা ওইহনবদা চাউনা মতেং পাংলি। মহাকা হায়- যোগগী মালেম থাক্কী চাংদমবশিং পাঙথোকপা অসিনা যোগবু মালেমগী মশান্না অমা ওইনা শনে দাকপদা চাউনা মতেং পাংগনি। মসিনা লম অসিদা থৱায় য়াওনা হোৎনরিবা শান্নরোইশিংগী পুন্সি শেন্বদা চাউনা কান্নবসু পীগনি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ভেনেজ্য়েলাগী এক্তিং প্রসিদেন্ট দেলসি রোদিগেসকা নিউ দিল্লিদা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে। লুচিংবা অনিনা উন্নবা অদুদা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবা অমসুং ইনর্জি, লল্লোন ঈতিক, শেল থাদবা, হেলথ কেয়ার অমসুং ওতোমোবাইলনচিংবা লমশিংদা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবা ৱাফম কয়া খন্নখি।

তুংদা, শ্রী মোদিনা সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা হায়- মখোয়না ক্রিতিকেল মিনরেলস, টেকোলোজি, এগ্রিকলচর অমসুং লৈবাক অনিগী মীয়াম মরক্তা হেন্না ফবা মরী থমবা ৱাফম কয়াসু খন্নখি। লৈবাক অনিমক্কী ওইনা পুন্না কান্নমিন্নগদবা হিরমশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবা হোৎনমিন্ননবসু য়ান্নখি।

কাপুর ঃ কেন্দ্রগী এপ্লোইন্টমেন্টস কমিতি ওফ দি কেবিনেটনা তরুন কাপুরবু প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী এদভাইজর ওইনা মখা তানা চহি অমগা লৈননবা অয়াবা পীখ্রে। শ্রী কাপুর কুমজা ১৯৮৭ বেটচকী আই.এ.এস ওফিসারনি। দিপার্টমেন্ট ওফ পার্সনেল এন্দ ত্রেনিংনা শ্রী কাপুরবু থা অসিগী ১০ দগী হৌরগা চহি অমা ফম অসি পুননবা খঙহনখ্রে।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি গুজরাতকী শুরটতা লুপা কোতি লিশিং ১৮,৮০০ হেনবগী চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরনা শঙ্গাগনি, খরনা উরেপ উয়ুং তমগনি। প্রোজেক্টশিং অদুগী মনুংদা রোড, পৱার অমসুং ইন্দষ্ট্রিয়েল

সেক্তরশিং য়াওরি। শ্রী মোদিনা শুরটতা ফমুং ২০০ ই.এস.আই.সি হোস্পিতাল শঙ্গাগনি।

তুংদা, শ্রী মোদিনা দমনদা লুপা কোতি লিশিং ২,৯৭০ রোমগী প্রোজেক্টশিং উরেপ উয়ুং তমগনি। প্রোজেক্টশিং অদুগী মনুংদা হকশেল, সিভিল এভিএসন, তুরিজম, ইনফ্রাষ্ট্রকচর, কন্নেক্তিভিতি অমসুং পাব্লিক ৱেলফ্যার য়াওরি।

ফোসিল ঃ কেন্দ্রগী নিউ এন্দ রিন্যুএবল মন্ত্রি প্রহ্লাদ জোসিনা হায়রি- ভারত অসি নোন-ফোসিল ফ্যুইল পুথোকপগী লমদা মালেমগী মাংজিল থাবা লৈবাক অমা ওইরক্লি।

পি.এম. শুরিয়া ঘর মুক্ত বিজলি য়োজনানা চহি অনি ফারকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা মন্ত্রিনা হায়- নিউ দিল্লি খক্তদা য়ুমথক্তা সোলর পেনেলশিং খিনদুনা রিন্যুএবল ইনর্জি পুথোকপা য়ুম কোতি ১ লৈহন্নবা হোৎনরি। লৈবাক অসিগী য়ুমথোঙ খুদিংমক্তা সোলর রুফ টোপ সিষ্টেম নিংথিনা চৎনহল্লবদি মখোয়গী দরকার লৈবা মৈশিং পুথোকচবা ঙমদুনা ইলেক্ট্রিসিতিগী বিল পীদবা য়াগদৌরিবনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

এন.ই.সি মীফমদা ম্যান্মারদগী চংশিল্লকপশিংগী ৱাফম সি.এমনা থমখ্রে। মীতোপনা লৈঙাকলোনদা চাউনা শিংনরে হায়না শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা অহানবা হেদলাইন ওইনা ফোংলি। পাউচে অসিগী এনকর কলমদা ইন্দিয়াগা ইন্তেলিজেন্স সিয়ারিং তৌননবা ম্যান্মারনা ইঙ্গিৎ পীখ্রে হায়বা ফোংলি।

কোলকাতাদা পুনবা হোৎনরম্বা ব্রাউনসুগর কে.জি. মরি হেন্না এয়ারপোর্টতগী ফারে হায়না হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মণিপুরদা রিজনেল পোলিতিকেল পার্তি অমা হৌদোকপগী থবক পায়খৎপা হৌখ্রে হায়না শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা হেদলাইন তৌদুনা

ফোংলি।

দ পিপলস ক্রোনিকলদা কেন্দ্রগী হোম মিনিষ্টর অমিত সাহনা অৱাং নোংপোক ভারত্তা লালহৌবগী ইরাং হন্থরে হায়না ফোংদোকখিবা ৱাফম অমা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ফাজিনখিবা নাগা তরুক্কী লংলা লংজিল লৈঙাকা থা অসিগী ৮ ফাওবদা পীখৎলকবা হাই কোর্টনা খঙহনখ্রে। কেস অসি এন.আই.এদা শিন্নখ্রে হায়রবসু এজেন্সিদদি রিপোর্ট অমত্তা লৈরমদ্রে হায়না সনালৈবাক পাউচেদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। মসিগা মান্নবা পাউ অমা তমেংলোং টাইমসতসু ফোংলি।

------